**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে, হয়েং ইম্ফালগী সনা কোনুংদা পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবশিং সনা কোনুংদা থুংলবা হৌরে।

২) মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি ৱার্ল্ড সেলেব্রেল পলসি ডেগী থৌরমশিং পাঙথোকরি।

৩) রাজ্যগী প্রিন্সিপল চিফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট, অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি- লম্লক্কী শা-উচেক অমসুং উমং য়োকখৎপদা মীয়ামগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ইং ২০২২-২৩ গী মাই ভারত নেসনেল সার্ভিস স্কিমগী মনা ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

অমসুং

৫) বিহার বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা মথং থা নবেম্বর ৬ অমসুং ১১ দা পাঙথোক্লগনি। ভোৎ মশিংনা নবেম্বর ১৪ দা থীগনি।

------

হৌচোংবা(এল)ঃ মেরা হৌচোংবগী মপুং ওইবা থৌরম হয়েং ইম্ফালগী সনা কোনুংদা পাঙথোক্কনি। রাজ্য সভা এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা থৌরম অসি হৌদোক্কনি। চী ংমী তম্মী অনিগী নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না

চেৎশিন্নহল্লিবা মেরা হো চোংবগী থৌরমদা রাজ্য অসিগী চিংগী জিলাশিং য়াওনা মফম কয়াদগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি।

মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শাবা পুমমক লোইরে। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা খুলগী লুচিংবশিং অমদি খুঞ্জাশিং ঙসি নুমিদাং সনা কোনুংদা থুংলবা হৌরে। লুচিংবশিং অসিনা ঙসি নুমিদাং সনা কোনুংদা থুংলবদা রাজ্য সভাগী এম.পি. অমদি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

মণিপুর বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনা হয়েং পাঙথোক্কদবা মৈরা হৌচোংবগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনবা অমসুং তুংগী মীরোলশিং নুংশিননা অমসুং শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা ওইরসনু হায়রি।

মেসেজ (এল)ঃ ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদম মণিপুরদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাউবা থুমহি চেন্দবা পাৎ অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎ য়োকখৎনবগী পান্দমদা হয়েং লোক্তাক ডে পাঙথোক্কনি।

লোক্তাক ডেগা মরী লৈননা থাঙ্গ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- টি. রোবিন্দ্রোনা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেল অদুদা এম.এল.এনা হায়- লোক্তাক অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা থুমহি চেন্দবা খ্বাইদগী চাউবা পাৎ অমনি। পাৎ অসি লমদম অসিগী মীয়ামগী পুকচাক অমা ওইরিবনি। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী নাৎ চৎনবী অমসুং পুন্সি মহিংবু মীয়ামদা মশক তাকপদা নত্তনা মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা অতাওবা পার্ক কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্ক মালেমগী মীয়ামা শক খঙলিবনি। মহাকা হায়- পাৎ অসি মহৌশাগী পোত্থোক খক নত্তনা রাজ্য অসিগী শকয়েং মিংশেল অমসুং চাউথোকচনিঙাই ওইরিবনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুন্না খুৎশমদুনা লোক্তাক পাৎপু ঙাক শেন্দুনা থম্লশি অমসুং পাৎ অসিগী ঈশিং লু-নান্না থমদুনা মহৌশা অমদি খুনাইগী ফজবা মরী অদু কায়ন্দনা থমবসু আপীল তৌরি।

ডে (এল)ঃ  মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি ৱার্ল্ড সেলেব্রেল পলসি ডেগী থৌরমশিং পাঙথোকরি। চহি অসিগী হিরমনা য়ুনিক এন্দ য়ুনাইতেদ হায়বসিনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা অখন্ননা উন্নবদা জেনিমসকী মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা পি.জি.টি ফাইনেল ইয়ার তৌরিবী ডাঃ ভারতি য়ুমামনা হায়- সেলেব্রেল পলসি হায়বসি ব্রেন নিংথিনা লেংথোক লেংশিন তৌদবা অঙাংনা পুকনুংদা লৈরিঙৈদগী নিংথিনা মথৌ তৌরক্তবা, জিনদা শোইরকপা, অঙাং উন্নবা মতমদা অঙাংনা মতম চানা চথুরক্তবদগী ওক্সিজেন ফংদবা, ষ্ট্রোক অমসুং জোনিসনা ওইহনবা য়াই। মহাকা হায়- মসি মরুওইনা ব্রেনদা শোকপা, নন-প্রোগ্রেসিভ লেবর লৈবা অমসুং মীরোনবী নুপীনা পুকনুংদা ইনফেক্সন থোকপদগী নাগনবা লায়না অমনি।

ডাঃ ভারতিনা মখা তানা হায়- লায়না অসিনা নাবা তারবদি চাবা তুমদবা, মতিন তাবা, চাবা থকপদা য়োৎপা ঙমদবা অমসুং খোম চিংবা ঙমদবগী লাইওংশিং অসি থেংনগনি। করিগুম্বা লায়না অসিনা নাবা নত্রগা নাই হায়না চিংনবা লৈরবদি মতম চানা ত্রিটমেন্ট তৌবীয়ু।

এসেমব্লি (এল)ঃ  মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিনা লুপা কোতি ২৯ কাইথোকখ্রে হায়বা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর অমসুং প্রোতোকোল এন্দ মিদিয়া রিলেন্সনগী ওফিসার ইনচার্জ এন. রোবিন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৯ দা হিরম অসিগী মতাংদা ফোংখিবা নিউজ রিপোর্টশিং অদু থেংনরবা মতুংদা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটনা কুপা থিজিল্লিবা মতুং হায়রিবা রিপোর্ট অসি অরানবনি হায়বা খঙবা ঙমলে।

রিপোর্ট অসিগী অচুম অরান খঙদনা লমদম অসিদা ফোংবা পাউচে অমদি টি.ভি. নিউজ চেন্নেল খরদা অমুক পাউ ওইনা ফোংলকখিবা অদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা মচাক অমা ওইরি। মরম অদুনা পাউ অসিবু ফোংখিবা পাউচে অমদি টি.ভি. নিউজ চেন্নেলশিং অদুনা শেংদোকপীরকবসু চেরোল অসিনা খঙহল্লি।

ৱিক ঃ ৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক্কী শরুক অমা ওইনা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা সাইকল রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদু মীওইবা অমসুং শা-উচেকশিং পুন্না হিংমিন্নবা হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি।

রাজ্যগী প্রিন্সিপল চিফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট, অনুরাগ ভাজপায়না মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ফোরেষ্ট ওফিসতগী লমথাদুনা ইরোশেম্বা জ়লোজিকেল গার্দেনদা লমথুংফম ওইখি। রেল্লি অদুদা মণিপুর এভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইক্কিং এসোসিয়েসন, মণিপুর রোয়েল হম্বর সাইকল ক্লব, সাইকল সক্কাদ য়াওনা সাইক্লিষ্ট অমসুং নহা কয়ানা শরুক য়াখি।

শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না লম্লক্কী শা-উচেক অমসুং উমং য়োকখৎনবা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাংশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- লম্লক্কী শা-উচেকপু য়োকখৎপা হায়বসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট খক্তনা ঙমলোই। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকা ৱাখল তামিন্নদুনা উমং অমসুং শা-উচেকশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবা চংই।

শ্রী ভাজপায়না মখা তানা হায়- সাইকল থৌবনা কার্বন ইম্মিসন হন্থহনবতা নত্তনা হকচাংদসু কান্নবা অমদি ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা মরমনা ঐখোয় পুমমকা সাইকল থৌবা অসি পুকিং থৌগৎনিঙাই ওই। সাইকল থৌরগা চৎপা অসিনা শা-উচেকশিংদসু অকায়বা থোকহন্দে অমসুং ইং চিকপা কাইহনদে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামা লম্লক্কী শা উচেকশিংনা চাক্তারিবা মফমশিং য়োকখৎমিন্নবা অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থমবা অমত্তা ওইবগী ৱাশক লৌখি।

অমরোমদা, হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা লমদম অসিদা ফংলিবা কান্নরবা উ-ৱা অমদি শা-উচেকশিং নিংথিনা খঙহন্নবগী ৱাখল্লোনদা জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা নেচর ট্রেল ৱাক্ক অমা ঙসি নিংশিংখুল বাইও দাইভর্সিতি পার্কতা পাঙথোকখ্রে। মীওইবা অমসুং শা-উচেক পুন্না হিমিন্নবা হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অদুদা নিউ লাইফ স্কুল, জিরি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, আর.কে. সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়া অমসুং হাইৱে ইংলিস স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি। লোয়নননা পার্ক অদুগী অকোইবদা মখল কয়াগী উ-ৱা অমসুং শা-উচেকশিংগী মরমদা খঙহনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার এলাংবম নিরমালা চনুনা হায়- ঐখোয়গী অকোইবদা লৈরিবা থৱায় পনবা জিবশিং অসি য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌবাল (এল)ঃ  থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক সেলেব্রেসন ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা জিলা থাক্কী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হনা কামৈ য়াখি। মহাকা হায়- শা-উচেকশিং ঙাক শেন্দুনা থমনবা ঐখোয় পুমমকা অফবা ৱাখল্লোনগা লোয়নননা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লম্লক্কী শা-উচেকশিং ফাবা অমদি হাৎপা থিংনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা কন্না হোৎনরবসু মীপুম খুদিংমকা মসিগুম্বা থবকশিং তৌবীদনবা মহাকা হায়খি।

থৌরম অদুদা এস.দি.ও আরবিন্দ হংলেম, সি.এম.ও- ডাঃ ৱাই, নোকুল অমসুং ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা লাইয়েকপা অমসুং এসে চাংদমবগী মনাশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, ৱাইল্ড লাইফ ৱিক্কী শরুক অমা ওইনা তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন তামৈ রেঞ্জনা শিন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জার্ভেসন হায়বা হিরমদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা তামৈ হেদক্কাটরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল মঙাদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

ইজিএফ (এল)ঃ থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা ইভরগ্রিন ফ্লাৱারস স্কুলগী থোইদোক হেন্দোক্লবা মহৈরোই অমদি ওজাশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি স্কুল অদুগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

ঈশিং (এল)ঃ থাংমৈবন্দ, রিমস, ললাম্বুংদা লৈরিবা মীয়ামদা ঈশিং পীরিবা ফোর ফিফতি এম.এম দাইমিতর পাইপ লাইন অসি ইরোশেম্বা থোংদা কায়বনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফমশিং অসিদা মতম খরা ঈশিং পীবা লেপখিগনি হায়না পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিংগী চেরোল অমনা খঙহল্লি। চেরোল অসিনা হায়- পাইপ লাইন কায়রিবা অসি ওক্তোবর ৮ দগী শেমজিনবা হৌগনি। মসি হেক লোইবগী মীয়ামদা মখা তানা ঈশিং পীবগী থবক চথগনি। খুদোংচাদবা অসিগীদমক দিপার্টমেন্টকী মাইকৈদগী নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলস খুগা বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা পার্সনেল গ্রোথকী কাউন্সেল্লিং থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কাউন্সিল্লর অমদি মোতিভেসনেল স্পিকর অগ্রিতানা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাকপা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, নুমিৎ হুমি চুপা চথগদবা মেগা মেদিকেল কেম্পকী শরুক অমা ওইনা চান্দেল, ককচিং অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী ওইবা হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু অসাম রাইফলসনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগা খুৎশমনা শিনবনি। মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখিবা মফমশিং অদুদি চান্দেলগী জোপী, চুরাচান্দপুরগী তুইবোং পিছ গ্রাউন্দ অমসুং ককচিং জিলাগী পল্লেলদা লৈবা কেম্পশিংনি। কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওংশিং য়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ইং ২০২২-২৩ গী মাই ভারত নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস) এৱার্দ ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা য়েন্থোকখ্রে। রাষ্ট্রপতিনা এন.এস.এস য়ুনিতশিং অমসুং মখোয়গী প্রোগ্রাম ওফিসারশিং অমদি ভোলুন্তিয়ার য়াওনা পুন্না এৱার্দ ৪০ খুৎশিন্নখি।

কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না এৱার্দ অসি এন.এস.এস ভোলুন্তিয়ারশিংনা লৈবাক অসিগীদমক মখোয়না পাঙথোক্লিবা থবকশিং শকখঙদুনা পীবনি। য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ইসি ঃবিহার বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা মথং থা নবেম্বর ৬ অমসুং ১১ দা পাঙথোক্লগনি। ভোৎ মশিংনা নবেম্বর ১৪ দা থীগনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি সদস্য ২৪৩ লৈবা বিহার বিধান সভা মীখলগী মতম লাউথোকখি। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অদুদা খুন্দক্তগী মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ত চৎনবা হৌরে

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ছতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা আর.কে.এম আশ্রম গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৩০ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর রাজমাতা-জিজাভাই ত্রোফিগী গ্রুপ-বিগী ফাইনেল রাউন্দ মেটচ অমদা মণিপুরনা অসামবু পাঞ্জল ৬-০ দা মাইথিবা পীখ্রে।

মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু লিন্দা কোম, ভুমিকা, দাংমৈ গ্রেস অমসুং ববিতানা চনখিবনি।

ফূটবোলঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লব অমসুং অংথা এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অনৌবা ইমাগী মঙালনা সোসিয়েল স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। এইমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু নামৈরাকপা রেবন্তা, খাগেম্বম সিতলজিৎ অমসুং নোংথোম্বম নেনালদোনা চনখি।

টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা লিগ অসিগী অনোবা ফিকচর অমুক থোকখ্রে। ফিকচর অসিগী মতুংইন্না হয়েং অহানবা মেটচতা অসুফি এফ.এ অমসুং ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনা শান্নগনি।

ফূটবোলঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চত্থরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রুপ-এগী মেটচতা পি.এফ.সি অমসুং কে.ৱাই.দব্লিউ.এ.সি পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু.বি.এস.এ অমসুং এ.কে.এস.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ক্রিকেটকী ৱিমেন্স সেনিয়র টি ত্বেন্তি ত্রোফি ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী সেনিয়র ৱিমেন্স টিম আগরতালাদা থুংখ্রে। টিম অসিদা শান্নরোই ১৫ অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফ মঙা য়াওরি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ক্রিকেট ঃ বি.সি.সি.আইগী মীৎয়েং মখাদা চান্দিগরদা থা অসিগী ৯ দগী পাঙথোক্কদবা ভিনু মনকর ত্রোফি ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপাগী অন্দর নাইন্তিন টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মণিপুরগী টিম অদুদা টিম মেনেজর ওইনা এম.দি. খলুর রাহমন্না লুচিংখি।

------